## থবক্ অমসুং থৌদাং

### পঞ্চায়ৎকী থৌ পুবাশিং

- খুঞ্জাশিংদা মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী মরমদা খংহনবা
- খুঙ্গংদা চহি ১৮ সুদ্রীবা নুপী মচা অমত্তা য়ুমবানবগী লমবীদা খোংদহনদবা
- অনকপা লয়েংশং নত্রগা হেল্দ সেন্তরদা অঙাং উন্নহবা
- হকচাং ৱাই শংদোকপদা মতম চুপ্পা অমাংশং শিজন্নহনবা অমসুং খুঙ্গংদা ওপন্ দেফিকেশন ফ্রী থম্বীবা
- য়ুমগী ইজ্খোলদা মনা মশিং থবদা পুকনিং থৌগৎপীবা, মসিনা মচী ওইবা অশেংবা চিঞ্জাক্ ফংহল্লী
- থকননবা অফাবা ঈশিং ফংহবা অমসুং অকোইবগী ফীভম্ তৱ তনান্না থমবা
- Village Health, Sanitation and Nutrition Committee (VHSNC) গী মতাংদা মতম চানা খন্না নৈনবা

### অংগণ্ ৱাদি শিনমী

- ফমসেন্নরীবা মীদা মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী মরমদা খংহনবা
- মতম্ চানা অঙাংশিংবু টিকা থাদোকহনবা
- অঙাংগী হকচাং মপুং মরৈ ফাগৎলকপা নিংথিনা য়েংশিনবীবা
- মীরোনবী মমাশিং অমদি নৌনা উন্নরীবা অঙাংশিংবুতোইনা চৎতুনা য়েংশিনবীবা
- অঙাংশিংগী হকচাংগী অৱমবা মতম্ চানা লৌদুনা এম শী পী কার্ত্তা রেজিসতর তৌবা, করিগুম্বা অঙাংগি অৱমবনা রেদ কেতেগোরীদা লৈরবদী অনকপা হেল্ত সেনতরদা খুদক্তা পুবীবা

### আসা

- মীরোনবী মমাশিংবু অনকপা লয়েংশং নত্রগা হেল্দ সেন্তরদা অঙাং উন্নবদা পুকনিং চিংশনবা, অমসুং চাং নায়না এ এন্ সিদা য়ামদ্রবদা মরীরক্ চেক্ অপ তৌহনবিবা
- পোকপা নৌরীবা অঙাংশিংবু অমদি মমাবু য়েংশিনবীবা ৮-৯ দগী তাদনা য়ুমদা চৎপা
- থা খুদিংগী মচী ওবা চিঞ্জাক্ ফংদ্রবা অঙাংশিং অমসুং হকচাংগী অৱমবা হনথরবা অঙাংশিংগী মনাক্তা চৎকদবনি
- মতম্ চানা অঙাংশিংবু টিকা থাদোকহনবা

### স্কুল মেনেজমেন্ত কম্মিতি

- ইনখৎলকপা নুপিমচা অমসুং নুপামচাদা ঈ ৱাৎপগি লৈনা হায়বদি এনিম্যা গী মরমদা খংহনবা
- অঙাংশিং খুদিংমক তৱু তনানবা হকচাং লুনা নান্না লৈননবা খংহনবা

### রেদিয়ো স্তেশনগী কম্ম্যুনিতী

- মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী মরমদা খোমজিন্দুনা রেডিয়োদা শনদোকপা
- অতবা মীয়োয়শিংদা তৱু তনানবা হকচাং লুনা নান্না লৈননবা খংহনবা
- মফম্ মফমদা ফংবা মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী মরমদা, চবা থকপগী মরমদা খংহনবা
- চিঞ্জাক করমনা ফগৎহনগদগে মতম চানা চাবা অমদি থোংবা থাকপগী মরমদা থৌরম্ শনদোকপা।

পঞ্চায়ৎকী থৌ পুবাশিংনা খুঙ্গংদা শিনমিশিং/ লোয়শংশিং পুনশিন্বা অমসুং মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী অৱাবা লৈহনদবা। মসিনা তুংগী মীরোলগিদমক হকচাং ফনা অমদি জাতি অসি শক্তী লৈবা লমদম অমা ওইহনগনি ।।

POSHAN Abhiyaan
PM's Overarching Scheme for Holistic Nourishment
सही पोषण – देश रोशन

सत्यमेव जयते

नए समाज की ओर
Towards a new dawn

# য়ুমথোং খুদিং মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী কুম্মৈ

## মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী চাউখৎ থৌরাং

## মীয়ামগী ঈহৌ



মিনিস্ত্রি ওফ ৱূমেন অ্যান চাইল্দ দিভ্লপমেন্ত
গোভর্নমেন্ত ওফ ইন্দ্যা

**মচী ওইবা** চিঞ্জাক্কী চাউখৎ থৌরাং হায়বসি থৌরম্ অমা নত্তে, মসি মীয়ামগী অপুনবা ঈহৌনি মদুনা ভরত মচা অমা ওইনা মীয়াম্ পুন্না সরুক্ য়ামিন্নবা তঙাই ফদে। থৌরম্ অসিনা মাই পাকপা হায়বসি মীয়াম্না সরুক য়বিবা, ফমনাইবা, পঞ্চায়ৎকী মীয়োয়শিং, স্কুলগী কম্মীতি, ননায় অমদি সরকারগি লোয়শংশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। রাসত্র্যগী মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী থা (নেস্নেল পোসন মন্ত) না মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী খুদোংচাবা পিগনি। **ইং ২০১৮গি সেপতেমবর থাবু নেস্নেল পোসন মন্ত হায়না পল্লন তৌগনি।** ভরত মচাশিং, সরকারগী থৌ পুবা খুদিংমকনা শরুক য়াবীদুনা লম্দম অসিদা মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী অৱাবা লৈহল্লগুমসি।

মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী কুম্মৈ য়ুমথোং খুদিংমক্তা পাংথোকলাসি। মীরোল্লীবী মমা, অঙাংশিং অমদি ইনখৎলকলীবী নুপিমচাশিংবু মচী ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলসি। নহাকনা মসিদা মাইপুননা হোৎনরবদি অদোমগী খুঙ্গং অদু মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী অৱাবা লৈররোই।

## করিগিদমক্ মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী চাউখৎ থৌরাং

তোঙান-তোঙানবা সরকার, মিনিস্তরশিং অমসুং মরি লৈনবা লোয়শং কয়ানা চাউবা হেন্দবা, চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈবা, ঈ ৱাৎপগী লৈনা (এনিম্যা) অমদি অঙাংশিংদা লুম্বা হনথবগী মতাংদা কুপনা য়েংসিল্লি। অদুমওইনমক্ ঐখোয়গী পান্দম য়ৌরগনি। মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী চাউখৎ থৌরাংনা ভরতকী মীয়াম পুম্বদা নোংমগি মচী ওইবা চিঞ্জাক অমসুং চাবা থকপাগী মৱোং মতৌদা অহোংবা পুরকপা ঙমলগনি। মসি পুমবা বিগ্যানগী মতেংনা ঙমলগনি।
মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী চাউখৎ থৌরাংগীদমক তোঙান-তোঙানবা সরকার, মিনিস্তরশিং অমসুং মরি লৈনবা লোয়শং কয়ানা অদোমগী পুকনিং চিংসিল্লি। থৌরম অসিনা মায় পাকনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং অমদি পঞ্চায়ৎকী অচৌবা থৌদাং লৈ। মরম অসিনা ভরতকী পায়খৎলকলিবা অনৌবা খোংথাং অমদি প্রাজা মীয়ামগিদমক্ মচী ওইবা চিঞ্জাক্কী অৱাবা লৈতনবা পঞ্চায়ৎকী থৌ পুবাশিংনা কন্না হোৎমিন্নবাথৌনিজরী।


## কনাগীদমক্?




## পঞ্চায়ৎকী থৌ পুবাশিংগী থৌদাং

**মীয়ামগি মহুৎ শীনবা অমা ওইনা পঞ্চায়ৎকী থৌ পুবাশিংনা চাবা থকপগি মৱোং অমসুং মসিগী কানাবা ৱাপাউশিং অসি শন্দোকপীয়ু।**

### মীরোল্বী মমা



- ভীতামীন্স অমদি আইরণ্ মরাং কায়না য়াউরবা তোঙান্-তোঙানবা চিঞ্জাকশিং চাবা
- মচী ওইবা শঙ্গোম্, থাও অমসুং আইয়োডিন্ য়াওবা থুম্ চাবা
- মরীসুবা থাদগী নুংতিগী আই এফ এগী অঙাংবা গুল্লী অমা চাবা
- অপীবা চাংদা কেলশীয়ম টেব্লেদ সিজন্নবা
- থা ৩-৩গী ২ সুবা থাদা অলবেনদজোল টেব্লেদ অমা
- মখুম্ নিংথিনা খুমবা, অরূবা ঈশিংখক্তমক থক্কদবনি
- মীরোল্লীবী মমাবু য়ামদ্রবদা ৪ রক্ শকখংলবা এ এন এম নত্রগা দোক্তরদা এনতিনেতেল চেক-অপ তৌবা
- অনকপা লয়েংশং নত্রগা হেল্দ সেন্তরদা অঙাং উন্নবা
- শেৎপা-চাবা তরু-তনানা লৈবা
- চাক্ চাদ্রিঙৈ মমাং মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা হামবা
- মনুং চংলুরবা মতুংদা মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা হামবা
- হকচাং ৱাই শংদোকপদা অমসুং অঙাংগী অমাং-অসোই লংথোকপদা মতম চুপ্পা অমাংশং শিজন্নবা



### চজেনবী মমা



- ভীতামীন্স অমদি আইরণ্ মরাং কায়না য়াউরবা তোঙান্-তোঙানবা চিঞ্জাকশিং চাবা
- মচী ওইবা শঙ্গোম্, থাও অমসুং আইয়োডিন্ য়াওবা থুম্ চাবা
- অঙাং উনারবা মতুংদা নুংতিগী আই এফ এগী অঙাংবা গুলী অমমম্ থা ৬ (নুমীৎ ১৮০) চাবা
- অপীবা চাংদা কেলশীয়ম টেব্লেদ শিজন্নবা
- মখুম্ নিংথিনা খুমবা, অরূবা ঈশিংখক্তমক থকপা
- **অঙাং উন্নবগা** পুং ১ গী মতুং নপু মচুগী অনংবা মমাগী খোমলাং পীথকপা মসিনা লৈনা-তিন্না কয়দগী ঙাকথোকপা ঙম্মী
- থা ৬ ফাওবা মমাগী খোমলাং পীথকপা, অদুগা অতোপ্পা অমতা পীজদবা
- চাক্ থোংদ্রিঙৈ মমাং, চাদ্রিঙৈ মমাং মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা সপোন্না হামবা
- মনুং চংলুরবা মতুংদা অমসুং অঙাংগী অমাং-অসোই লংথোকপদা মতম চুপ্পদা সপোনা খুৎ-শা হাম্বা
- হকচাং ৱাই শংদোকপদা মতম চুপ্পা অমাংশং শিজন্নবা
- শেৎপা-চাবা, অমসং অঙাংবু তরু-তনানা থম্বা



### অঙাংশিং



- থা ৬ মপুং ফারবা মতুং মমাগী খোমলাংতা নতনা অতোপাসু পীজৈ
- ভীতামীন্স অমদি আইরণ্ মরাং কায়না য়াউরবা তোঙান্-তোঙানবা চিঞ্জাকশিং পীজবা
- তোঙান-তোঙানবা তকখাইরবা অমদি মহি নংবা চিঞ্জাক পীজবা
- মচী ওইবা শঙ্গোম্, থাও অমসুং আইয়োডিন্ য়াওবা থুম্ পীজবা
- আই এফ এগী হীদাকক্কা লোয়ননা বীতামিন্ এ য়াওবা চিঞ্জাক্ পীজবা
- অংগণ্ ৱাদি সেনতরদগী অলবেনদজোল তেব্লদ তংখাই অমামুক থা ১২-২৪ গী মরক্কী অঙাংশিংদা পীজবা, থা ২৪-৫৯ ফাওবগী অঙাংশিংদা পীজবা। মসিগী থা ৬ কী মনুংদা অমুকতং মহিক্-মতাংদগী কন্নবা পীজগদবনি
- অনকপা অংগণ্ ৱাদি সেনতরদা পুদুনা হকচাংগী চাওখৎপগী চাং য়েংথোকপা
- মচী ওইবা চিঞ্জাক, অঙাংগী হকচাং শেমগৎপদা চংবা পোৎলম পীজবা। চাহীগী মতুং ইন্না এ দব্লীউ দব্লীউ, আশা,  এ এন এম নত্রগা দোক্তরনা পীবা চাংদা চাবা
- চহী ৫ সুদ্রীবা ফাওবা মতম চানা টীকা থাদোকপা
- তরু-তানাননা লৈবা তমবীবা
- মখুম্ নিংথিনা খুমবা, অরূবা ঈশিং পীথকপা
- চাক্ পিজদ্রিঙৈ মমাং, চাদ্রিঙৈ মমাং মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা সপোন্না হামবা
- মনুং চংলুরবা মতুংদা মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা হামবা
- অমাং-অসোয় লংথোকপদা অমাংশং শিজন্নবীবা
- অঙাংগা মতম চুপ্পদা লোয়নবীবা, শাননমীন্নবা



### ইনখৎলকলিবী নুপী মচা



- ভীতামীন্স অমদি আইরণ্ মরাং কায়না য়াউরবা তোঙান্-তোঙানবা চিঞ্জাকশিং চাবা। মসিনা থাগি খোংকাপ লাকপদা মাংখিবা আইরনগী চাং হংগৎহনবা ঙম্মী অমসুং হানাগুমনা মপাঙ্গল কনখৎহল্লী
- মচী ওইবা শঙ্গোম্, থাও অমসুং আইয়োডিন্ য়াওবা থুম্ চাবা
- হপতা অমগী মনুংদা  আই এফ এগী নপু মচুগি গুল্লি অমা চাবা
- থাগী খোংকাফ লাকপা মতমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমসুং লুনা নান্না লৈবা
- চহি অমদা অনিরক্ মহিক্ ঙাকথোকনবা অলবেনদজোল তেব্লদ চাবা
- মখুম্ নিংথিনা খুমবা, অরূবা ঈশিং থকপা
- চাক্ চাদ্রিঙৈ মমাং মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা হামবা
- মনুং চংলুরবা মতুংদা মতম চুপ্পা সপোন্না খুৎ-শা হামবা
- হকচাং সেংদোকপদা মতম চুপ্পদা অমাংশং শিজন্নবা

